"মীনন্বা ৱাদু হায়দ্রবদি মীদু হাৎপা তারবদি
অদুগুন্বা মতমদা মীনন্বা ৱা হায়গদবনি।" - *সোনামনি (ৱাথোকচাও)*

ꯁꯩꯔꯦꯡ

## ইতিহাসকী খোঙয়েৎ

**— তখেলময়ুম কুমারজিৎ**

অনৌবা যুগকী মীরোলনা
খূৎতা কলম থাঙ্গৎলকওঁ
অঙৌবা চেবাঙদা সনাগী ময়েক তারকপদা
চৈ থাংলক্লে
অনৌবা যুগকী খোঙয়েৎ খুরৌনি পাঙদবা' নঙদি
অতনবা, মীঙমদবা, অকিবা
পাঙদবা নঙগী শক্লোনসিনা
লৈবাক্কী নিংথৌ ওইরবদি
হংনীংবা মীয়ামগী অচুম্বা, নাওখৎপা, অওনবা পুরক্কদবা
ৱাহংদুগী মরায়বক করি ওইগদগে?
পাঙদবগী ফমথোন কোক্তা থোংলবদি
লৈবাক্না মরায় চায়থনা মরূ লূক্না হিংঙি,
মাঙজরিবদুগী থৌদাংদু ঙমখৈনা,
মীরোলনা, ইরোল ইয়েক্না পুই
চহী কয়া চঙনা চৎখিবদুগী পন্থুংদো
খঙনা উনা অরোইবা মাগী খয়াৎনুংদা চঙঙি খঙদবরা?
মাঙলমচৎকী ইতিহাসকী লামায় খুদিংদুগী য়াওরিবা
অঙম অথৌ, ফম্নাইবা, নিংথৌশিংগী
মতিক মঙালনা নোংমদোন ৱাংলিঙেঁ,
সনাগী ময়েক্না ইরন্বা খূদম চাংদম থৌদৌশিংদুনা লাউরি
'অনৌবা ইতিহাসকী লামায়দা
সনাগী ময়েক্না নঙগী নমিং হাপ্পু
ইতিহাসকী অচুম্বা খোঙচৎতা নঙনা অমুবা কালি শঙগনু'

## অঙাংবা গুলাপ

**—সোৱিতা সৌৱাম**

পামজখি নঙবু
মিকুপ খুদিং,
য়েংজখি নতৌতবু
নঙনা পোমশাৎনরকপদগী
মোমোন নোক্লকপা ফাওবা,
পাখৎচখি থম্মোয়সিনা
নোংলৈগী শাহুমদসু
ইঙাগী নোংজুদসু,
থম্মোয় তনিক তনিকচখি
লৈনা চোইনা কেনখিগদ্রা
খোঙনেৎনবিখিদ্রা থোৎলবী লৈনাশিং,
খঞ্জখি থৱায় তানা
থেৎহনগনি শোয়দনা
পামজবা মাগী মখূৎনা ঐগী শমজিদা,
লৌরে ঙসিদি ফিরেপ
ঐগী শমজিদা নত্রে নঙগী চন্নফম
খঙলে নঙগী পামজবা,
থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংগী
খোঙ্গুল লিক্লমদা চাইথোক্তুনা
খোঙনেৎনবদু ওইরম্লে নঙগী পেঞ্জবা।

## তাখিদ্রবা খোঞ্জেল

**— অঙোম ইবোমচা**

নুংশিদা নুংশিদা
তাখিদ্রবা খোঞ্জেলদো
লৌরোক থানা লাকপদা পোইনুগী
লৌবুক লম্মাং পূন্বদা।
চাকঙন চাদুনা লৌবুক পাং
খূৎশু থাঙ্গোন পুদুনা
খূৎলঙ শিন্থা পাঙদুনা
লৌখাও জগোয়বু শাদুনা
হিরাও শৈশক শকখিবা।
ফৌকংনা মপূং ফারকান
লাইরেন্বী ইমাবু কোক্তা-পু
ফুদিৎ মফম লৌরি-কান
ফকলেন ফকপাকপু থাদুনা
মায়কৈ মরি চাবান-থা
লাইরেন্বী ইমাবু খুরুম্বা।
খূৎলংগী নহা শাফবনা
ফৌবি চারৈ চেৎন লাক
ধুপ-ধুপ খোঞ্জেলদা
ফৌবি চৈয়ে য়ৈদুনা
চৈরোংগী চাকথা পীখিবা।
চন্দ্র কনবি ইমাশিংনা
খ্বাংদা খ্বাংচেৎ চেৎন লাক
হিরাও হৈবা অহৈবনা
ফৌওইবী ইমাগী শৈথারোলবু
হিরাও শৈশক শক্তুনা
খূৎলংগী শিন্থা পাঙখিবা
লৌয়৳না মপূং ফারকান
লাইরেন্বী ইমাবু কৌজবা লোই
হৈথা-পোথা চামিন্না
খূৎলংগী নহা শাফবনা
খূৎতা ফৌহুমধোক পায়দুনা
হৈ-হা-হৈ হিরাওদা
হুমাইনা জগোই শাবদো
লৌবুক মায়কৈ নিনবদো
তাখিদ্রে খোঞ্জেলদো
তাখিদ্রে খোঞ্জেলদো।

## ইমা কৌনু ঐঙোন্দা

**—গোপেন্দ্র থোকচোম**

নঙগী নমাংমক্তদা
নঙবু পোকপী ঐবু
মৈ চুরফাও হিংনা হিংনা
য়েংদুনা লৈবা নঙদি
পেন্দে ইমাগী থম্মোয়না
ইচা ওইরবসু ইথানুংগী
ইমা কৌনু ঐঙোন্দা।
লানবুংগী মৈরিনুংসিদা
ইখূৎ অনীসে থাঙ্গৎতুনা
ইখোল ইৱা তাজখৈ
ইমানা নঙবু কৌজবা
তানা তানা চৎখিবা
পেন্দে ইমাগী থম্মোয়না
ইচা ওইরবসু ইথানুংগী
ইমা কৌনু ঐঙোন্দা।
মৈশা খাঙবা ঙমদ্রদুনা
ফ্রিং-ফ্রিং চোংলফাও
মীগী য়াথং য়াওদনা
কনবা ঙমদ্রবা নঙদি
পেন্দে ইমাগী থম্মোয়না
ইচা ওইরবসু ইথানুংগী
ইমা কৌনু ঐঙোন্দা
ইমা কৌনু ঐঙোন্দা।

## লৌরী ইঙ্খোল

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লাই ওইখ্রবা অহল-লমনশিংনা
থন্বীরল্লবা লৌরী-ইঙ্খোল
ঐখোয় মশেল মুন্নরি,
পারি অহলগী, পারি য়াইমগী
পারি অতোনবগী অমগা অমগা
খাইবুং-খাইবুং তানরি।
হাপচিনবসু ঙমদে, চাউথোকহনবসু
লৈরল্লিবা অদুদগী হেন্না,
পীয়ু পীয়ু পীয়ু মক্তনি
ঐগী ওইগনি, ঐগী ওইগনি।
ঐগী ওইজরোই হায়বা
অমতংদি য়াওদনা, কৎথোকপা ঙন্বা
মশাগী ওইজবা থিদবা,
ঐগী ওইয়ু তল্লদনা ঐগী খক
ওইবা য়ারোই, মসিমদি কাউগনু।
জগৎ সংসারগী ফজখ্রবা মশক
ঐগী ওইগনি মুন্নরিঙেঁ, লাম্মৈনা
চাক্তুনা উৎ ওইনা মাঙখ্রগনি,
ঙসিগী তাইবঙপাল
হয়েংদি করি ওইহৌবা য়াই।

## য়ু

**—এম নিলকুমারি**

য়ুগী সাসন পাক চাউখ্রে
সরকারগী সাসন করিগী শিন্থা ওনখ্রবোই
করবার ওঙ্হোকখ্রে
ঐদি য়ুনি য়ু মীরোল কয়াগী অহোংবা লাকপনি
শিন্থা শিনশং ওইহল্লে
ময়োম ময়াম শেমবদা
অন্দ্রো খুঞ্জাও - সেকমাই ফয়েং ইয়ুন্নি।
য়ুদা শাদোংলবা
লন্বী সেরোক পাক চাউই
মনিল ফংলবা য়ুদা লুপ্নবা
হরাওগনি লাও খোংগনি পুন্নমক ঐনা ঙমগনি খলহল্লি।
য়ু ঙাওবা হীদাক ঙাওবা পামজ পামজবা লন্বী থিবনি
অহেনবা নিশা কয়াসু নৌনা পোক্লক্তবা নত্তে
মী মশেল হাৎতোক্লে য়ুদা নত্তে য়েক্লবা
য়েক্লবনা লাঙ্গোয় চল্লবা শীংনরিবনি মীওইপোক্তা।
মাঙখ্রবা পাউখুন্নি :-
নিশা বন্দ ইমা ইবেল
ৱাকৎ মীফম মীশি মীনাগী
লোইনাইররোই মতম্না অসুম চেনশিল্লকপরা?
শগোল শাথৌবা
কৈজাও তোংবা ইমান মান্নরে
শাদোংনি য়ুগীসু নহা অহল খায়দবা।

## ৱাকৎ

**—লুখোই খা ঙানবা**

ৱাকৎনীংলে ঐ
কনাদা?
অঙন্বদা, খ্বাইদগী ঙন্বদা
মোদিদরা?
নত্তেদা
কৈদৌনা ৱাকৎলুনি মঙোন্দবু।
নঙগী ৱাকৎতুবু করিগীনো?
অস! খঙগন্দেহে নঙসিমা
মীতৈবু কনবীনব্রা হায়বা?
নত্তেদা, নত্তে হায়বা
মীতৈদি কনবীগদবা নত্তে
মশানা মশাবু কঞ্জগদবনি
মরৈবাকসুনি কনগদবা।
মীতৈদি লাকফম লৈতবনি
চৎফমসু লৈতবনি, কংলৈপাক নত্তনা
কংলৈপাক্না পোকফম হৌরকফমনি
শিরবসু কংলৈপাক্কীদমক
হিংলবসু কংলৈপাক্কীদমক।
মচা লৈতবা মীনা খঙলোই
খঙলোই নুংশিবা মচাগী
মচে-মচল লৈতবনা খঙলোই
নুংশিবা মচে মচলগী
নুপী নুংশিবা খঙদবনা
মণিপুরগী নুপী অঙাংগী
করিবু য়েংবীনি মানা।
অদুদি কনাদনো ৱাকৎকদৌরিবসে
অমেরিকাদরা নৎত্রগা রুসিয়াদরা
নত্তে, অমত্তা নত্তে।

## অমত্তা ওইবগী


**—এস কে নাওরেম**

অমত্তা ওইবগী ৱাশকপু ঙাক্লিবা
পোক্লফম ইমাগী নুংশি থৌরীনা পুল্লবা
ঐখোয়গী নহারোল নীংতম্বা লৈবাক্কী।
পোক্লফম ইমাগী য়াথংতবু ঙাইজরিবা
মহাক্কী য়াকাতবু য়েংজদুনা লৈজরিবা
অপূনবা কংলৈপাক্কী শক্তম ঙাক্লিবা
ঐখোয়নি নহারোল নীংতম্বা লৈবাক্কী।
ঐখোয়গী অমত্তা ওইবগী মতৌবু
কল্লক্লুবীবা ঙসিগী তাইবঙসিনা
নঙগী নচা ওইনা পোকচবা
কয়াদা লাইবক ফখ্রবা ঐখোয়সে।

মতম মতমগী ৱাখল

# প্রোক্সি ৱার হায়বদু চুমগদৌরিব্রা ? সিবিল ৱার অমা লাক্লগদ্রা ?

লমদম অসি, অকনবা, অথৌবা পোকখিবা, ইরৈবাক ইরমদমগীদমক থৱাই থাবা পান্মুদবা লৈপাক্নি। লৈরম্মী লৈপাক্কীদমক মতীক চাবা লুচিংবা, অঙম-অথৌশিং মখোয়বু ঙসি ফাওবা শোন্নরি। কুমওন খুদিংগী মখোয়বু নীংশিংদুনা হৈকৎ-লৈকৎ তমজরি। অথৌবশিং হায়জ রিবসি লৈবাক্কী লুচিংবা ওইবীখিবা মতম অমগী লৈপাক নিংথৌ, ফম্নাইবশিং, অঙম-অথৌশিং, মখোয়গা লোয়নননা তুংইনখিবা লৈপাক মীয়ামবুনি। ঙসিগী মীরোল ঐখোয়সে মখোয়গী চাদা নাওদানি হায়বদা খল্লুরগা ইকায়বা ফাওরক্লি। অকল-অথৌ, অহল-লমনশিং, ইপা ইপুশিং অদুগী থৌনাবু নীংশিং থৌরমগা পাংথোক্তুনা লৈগা কৎচরিবসি ইকায়জরকই। মখোয়গুম্না হৌজিক্কী অঙম-অথৌশিংনা লৈপাক্কী খল্লিব্রা, চীনগা খুৎকা মান্নরিব্রা ৱাহংসি মীয়াম্না হংনরি। ঙসিগী অঙম-অথৌশিং ফম্না মরুওইনা লৌরি হায়বসি কন্না হায়নৈ। অদুঙৈগী লৈপাক, নীংথৌ, ফম্নাইবা মরৈবাক্কীদমক কৎথোকখিবশিংগী মফমদা ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমজরিবা, মখোয়গী মীতম শাদুনা লাৎচরিবা অসিগুম্না তুংগী মীরোলনা ঙসিগী মন্ত্রি ফম্নাইবশিংগী মীতম শাদুনা, হৈকৎ লৈকৎ তমলক্কনি হায়বসিমদি থাজদে। ঙসিগী করন্বা লুচিংবগী মীতমবু শাদুনা খিনগদগে থীবদা, খনবদা ফংবা ৱাগনি।



থৱায় থাবদি ঐখোয়গী লৈপাক মীয়াম, মীচমশিংদি ঙসিসু পাম্মুনদ্রি, কিবসু লৈতে। মৈতৈ নহারোল অথৌবা নুপা নুপী ৱাৎতে। ৱাৎলিবদি চীনগা খুৎকা মান্নগদবা, মীয়ামগী মাঙ থারগা চোংথোকপা ঙন্বা লুচিংবদি লৈত্রে। হৌজিক লৈপাক মীয়াম্না নুংঙাইহত্রিবা, পেন্নদ্রিবসি করিনো, কনাবুনো হায়বা ৱাফম অমা লাক্লিবসি মরুওইনা নৈনদবা য়াদ্রি।

ঙসি নিংথৌ পান্দ্রে, মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লুচিংবা ওইজবনি। ওইগদৌরিবসি চহী মঙাখক্কিনি। চহী মঙাদি লুচিংবা ওইবীরিবা মহাক্কী মচিন মীয়াম্না চৎকদৌরি। চৎকদৌরিবা অসি মীয়াম্না শেন্বা পথাপ অদুগী মতুংইন্ননি। লুচিংবা ওইহনখিবদা ঐনা মপুনি, মীয়ামগী ৱা খঙদে হায়বা য়াদে। পাংথোক্কদবা থবকশিংসু লৈপাক মীয়ামগা তান্নরগা তৌগদবনি। মীয়ামগী খোল্লাও তাদনা লুচিংবা ওইরিবশিংনা মরন্নাই পংতৌ তৌনরগদি অফবদি ওইররোই।

ৱাফমসি হঞ্জিল্লে, খঙনরবা ৱাফম্নি। হৌজিক ঐখোয়গী লমদম অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগী ৱারোয়শিন লৈতে। মীয়ামগী ৱাখলদা ঈং-তপ্পা লৈতে খোয়রাংঙি, শাওনীংঙি। কুকি মচাশিংনা লাকচবগীনি। হৌজিক্তি মীপূম খুদিংমক ৱা ঙাঙলে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা, এম এল এশিংগী মথক্তা খোনচোপ য়াওনা ঙাঙনরে। ইমুং-মনুংগী, ইমা, ইচে ইচলশিং ইকায়বা পোক্লদ্রে ফোংনা মেদিয়াদা খোনচোপ য়াওনা অৱায়-অখুম তৌনবা হেনগৎলকই, মসিবু হৌনরিব্রা? ফিভম অসি য়ৌরক্লবদা, তূমিন্না ফমদুনা পাউ তাবা, চেফোং পাদুনা লৈনীংঙকত্রে। লমদমসিগী মীচম মীয়ামদি লান্দে। করিগীদমক কুকিশিংনা লেপ্তুনা তৌনীং তৌনীংবা তৌহল্লিবনো ? লেপ্তুনা মীচমশিং শা-ঙা হাৎপগুম হাৎলকপদা, ঙাক-শেনবীগনি হায়দুনা লৈরিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা য়েংদুনা লৈরে হায়বগী পাউনা পীক থল্লি। তম্পাক্কী লমদা, ইমা-ইবেল, ইচে-ইচলশিংনা খোঙজং অমত্তং চৎথবদনা টিয়ার গ্যাস, মোগ বোম অদুদগী হেন্দোক্তুনা নোংমৈ ফাওবা কাপশিল্লি। নুপী অঙাং, ইমা ইচল কয়া থীনা শোকহল্লি। চীংগী লন্বীদা কুকি নুপীশিংনা চৎথবা খোঙজংদনা করিমত্তা তৌদবা উরি। অসিগুম্বা খেন্নবা কয়া অসিনা লমদম অসিগী মীয়াম্না হেন্না শাওনীংহল্লি।

ঙরাং নহাল থোক্লিবা থৌদোক ময়াম অসিদা আর্ম ফোর্সেস ময়াম্না কুকীশিংগা নক্না লোয়নননা চৎমীন্নবগী পাউ অমদি ভিজুয়েলশিং মেডিয়াদা উবা ফংলি। মখোয়গী খুজিল থৌরাং য়াওরে হায়বসি ইফোং ফোংনা ঙাঙনরবা, উনরবনি। মোরেগী থৌদোক চন্না লৌবা য়ারোই। কমান্দোগী লুচিংবা এস পি মশানা নুংঙাইতনা ফোন্দা হায়রকপা ৱা মীয়াম্না তানখি। থম্মোয় কায়খি, শাওনীংখি। মণিপুরগী ষ্টেট ফোর্স ওইরিবা কমান্দোশিং, পুলিস অমদি আই আর বি পার্সোনেলশিংনা থেংনরিবা লান অসি লমদমসিগী লৈপাকসিগীনি। মখোয়না ঙমখৈদা লান শোক্লবদা অশি অনা-নঙলবা ফাওবা ঐখোয়না স্বাইদা ঈংনা চীক্না নুংঙাইনা লৈথোকপা মরম চারিব্রা ? ঐগী ইমুংদা থোক্তে হায়দুনা তূমিন্না লৈবা চুল্লিব্রা ? প্রোক্সি ৱারগী খুদম-চাংদম ময়াম অমা লৈরবা ফাওবদা লৈঙাক্না তৌরিবা থৌওং অসিদি ঐখোয় ফাওবা পেল্লক্তবা ফাওরে। মফম খায়দোক্লরগা ঐখোয়সু ইরৈবাক্কীদমক লান চঙবা পাল্লে। ইরমদম ইমা লৈবাক্কীনি হায়দুনা নহারোল ময়াম চোংথোকলক্লি। ইমা ইবেল, ইচে ইচল কয়া অমনা তূন্বা চাবা খঙদনা খুল ঙাক্লিবশিংগী মতেং পাংলিবসি নোংমা নীনীগী ৱা নৎত্রে। অসিগুন্বা থৌদোক ময়াম অসিনা তম্পাক্কী মফম খূদিংদা লৈরি। কুকিশিংনা চৎথরকপা লান্দাদি লেপ্পা লৈতে। তম্পাক্কী মৈতৈশিংদি করিসু নত্তে হায়বগী মখোয়দা উশিৎতবা অমগা লোয়নননা খুৎ থারিবসি অতৈগী নত্তে মখোয়দা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংন শৌগৎপগীনি। সেন্ট্রেল ফোর্সশিংন শৌগৎলমদ্রবা কুকিশিংনা অসি য়ৌনা নাপলসু তৌবা ঙল্লোই।

হৌজিক মীয়াম করি তৌবা তাবগে? ঐখোয়গী মীয়াম, এক্সপার্টশিংনা মেদিয়াদা ঙাঙবা তাদুনা লৈরক্লিবসি কুইমল্লে। নুংতিগী ফোংবা চেফোংদা আর্টিকল ইরিবনি হায়দুনা ইশাগী কলম ইরিবসিফাওবা ইনীংবা ফাওরকত্রে। ফজবা ৱাহে হায়নীংলকত্রে। টিভিগী পাউ তানীংবা পোকত্রে, খন্না-নৈনবা ওকএ, প্রেস কনফরেন্স তৌবা হেনমল্লে। ৱারোয়শিন অমা পুরক্লবা অরোয়বা ৱা অমা মীয়াম পূন্না খন্নবনা চুমগনি। খোয়শাওনরবা লমদমসিগী মীচম নহারোলশিং পেন্দবদগী লাম্থেংনবা চোংথোক্লরক্লিবসি অফবা খুদম নত্তে। হৌজিক্কী ফিভম অসিদা মখোয়গীদমক লমজিংনবা পাউতাক পীবীনবা অখঙ অহে লৈহন্নীংঙি। কুকিশিংনা লাকচখিবগী মরুপ-মপাং শিখিবগী ঐখোয়গী নহারোলশিং হৌজিক খাম্বা য়ারোই। ইনশিনবদি নত্তে ঐখোয়গী নহারোলশিংনা চোংথোক্লিবসি চোংথোক লমদ্রগদি তম্পাক্কী য়েলহৌমীশিং হেন্না শিরমগনি। ইমা ইবেল, ইচে ইচলশিংনা লন্বী লমজাওদা অহিং শংলমদ্রগদি ইম্ফাল ময়োলদা কুকিশিংনা সিফাইগী গাড়িশিংদা পূন্না তোংদুনা, চঙলক্লগা লান্দারমগনি। হৌজিকসু তম্পাক্কী খুল্লক্তা কুকি খুৎলাই পায়বনা অহীংদা কোয়চৎ চৎপগী সিসি টিভিদা উবা ফংই হায়দুনা ঙাঙনরি। লান ঙাকথোক্লবা খুল শঙনরি। ফিভম অসিদা কয়াম কুইনা লৈখিগদগে ? তুংগী নহারোলশিং অসিগী লাইবক করি ওইগদগে ? ৱাহং চবুন চবুন হংবা হেনগৎলকই। ইমা ইবেন, ইচে ইচনশিং চিফ মিনিষ্টর, গর্ভনর কয়ারক উন্নখিগদগে। মীয়াম্না চিফ মিনিষ্টরদা, গর্ভনরদা খুদোনবী থীন্দুনা তাকফম থোকপ্রা ? অদুবু ৱাকৎলুরিবা উন্নরুরিবসিদি তৌরক্তবগীনি, থাজরক্তবগীনি মসিদনি সরকার লৈত্রে হায়নরিবসি।

কুকিশিংনা হৌজিক উশিৎপা অমত্তা লৈতে। চীফ মিনিষ্টর ফাওবা মখোয়না উশিৎতনা মচিন থীদুনা ঙাঙবা লেপত্রবদা মীচমদদি মখোয়গী মমিৎতা ষণশা অয়াইবা ওইনা উরম্বসু য়াই। কুকি এম এল এ তারানা অমত্তা ওইনা কুকিগীদমক লেপ্লি অদুগা ঐখোয়গী এম এল এ অমদি মন্ত্রি ময়াম্না মৌণী লূপ্লি। মসি লৈবাক নীংবা হায়গদ্রা মীয়ামগী খনবা লৈঙাক হায়গদ্রা ? কয়ারক্লো ৱা হায়খিগদবা কয়ারক্লো মখোয়গা উন্নখিগদবা ? কৈরাও কেন্দ্রগী ওন্নরেবল এম এল এনা "মৈতৈনা মায়থিবগী মরম থোকলক্লে-এম এল এ ৪০ পূল্লগা ৱারেপ অমা ফাওবা অমুক্তা লৌমিন্নদ্রি। লৈঙাক্তা থাজবা থল্লুরনু, লৈবাক কনসি হায়রবদি ইশা ইশানা হোৎনরসি" হায়না সনা লৈপাক পাউচেদা হায়রিবসি অতৈ এম এল এ মন্ত্রিশিং অমত্তনা হায়দ্রি।

হৌজিক্তি করি থোক্লগদগে হায়বা ঙমদ্রে। সিবিল ৱার অমা থোক্লগদ্রা হায়বগী নুংনাংবা পোকলক্লি। তম্পাক্কী য়েলহৌমীশিং লান থেংনদ্রি। লান ঙাকথোকপতনি হায়না মীয়াম লোয়নমক্না হায়নরি। তশেঙনা লাম্থেংনবা হায়বদু থোকলকপা তারগদি অতাবী অমদি খঙনরগনি। মসিরা ঙাইহিরিবসিবু? মসিবু অফব্রা ? লান্না মালেমদা অফবা অমত্তা পুরক্তে। লান থোকত্রিঙৈদা মরী লৈনবশিংনা খাম্নবা শিনবীয়ু। নহাশিংনা শাওখিবসি অফবা নত্তে। লমন খূন্নীংবগী মৈচাক্না নোংমা নোংমগী নহারোলশিংগী থম্মোয়দা চুররি। য়েংবা য়াবা য়েংলে, খাঙবা য়াবা খাঙনরে। ইমা ইবেন খ্বাংশেৎ মচি লাংবা হৌনরে। ঐবু পোকপী ইমা চহী মরীফু হেল্লবী পাঙ্গল শোল্লবী ফাওবা কুকীগা লান থেংনবা চৎনীংলে হায়রক্লি। ইমা ফাওবনা কুকিগা লান থেংনবা চৎলগদি ঐখোয়সু তূমিন্না লৈবদি য়ারোইদৌরি। ঙসি কুকিশিং তূমিন্না অমুক লৈখ্রে হয়েং কদায়দা করি অমুক তৌরক্কদৌরি খঙদ্রি। মখোয়দি লালোং য়াৎলমগনি। লানসি লোইদ্রি, লোইরে খনবা য়াদ্রি। ৱা অমত্তং হায়জনীঙি। নুমিদাং কেন্দল মৈরা কৎপা লেপখিসি, মেডিয়াদা কুকিশিংগা চিন থীদুনা অৱাই অখুম তৌখিগুমসি। ময়াম পূনশিন্নরগা অরোয়বা ৱা, অমত্তা ওইনা তান্নদুনা অরোয়বা লান অমা থেংনবনা চুমগনি খল্লি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

ৱারী ককনাউ

# হুরানবগী চৈনা

ইপন সনাতোম্বা হৌজিক মশাগী চহী ৭০ খরা হেল্লে। মশা অদুম নাল্লি। মশম মনা শাংলি। থৌদোক থৌরম য়াওবা থোরকপদা মশাদু তগৎ-তগৎ তেকপা মালহল্লি। অহল ওইরকপগী মশাদুবুদি মমায়দগী চিংলগা মখূৎ-মশা লোইনমক পুমখুই খুইরে। মশাদা নঙ হনুরে হায়বগী ৱার্নিং পীরে। অদুবু ইখুই খুইরবা মমিৎতুনা মাগী হৌনবী নুপী অঙাংদা হুত্তুনা য়েংবদি তোক্ত্রি। মশাগী চহীগা চান্নে খঙদে, চান্নদে খঙদে, হেক য়েংবদা মীৎ নাবা মওংদি অদুম তৌরি।

মাবু মুন্না খঙবা নহাশিং, লৈশাবী মচাশিংনা মাবু য়াম্না হৈনদে। য়াম্না তুক্কৎচৈ হায়না মোই মশেল ৱারী শানৈ। অদুবু ইপন ইবুংঙোদুদি খঙজদবনিনা নুপীমচা লৈশাবী অমা অনীবু পুল্লবদি মোইগী মনাক্তা চঙশিল্লগা, হনুবা মানা লৈশাবী মচাশিংদুগী ৱারীদু অদুম য়াওশিল্লুই। মদুদা মমিৎ শুকপা অঙাংশিং অদুগী হৈনদবদু মহাক্না কৈসু খনবীদে। মা চঙলকপদা কায় কায়দুনা চেন্নরিবদো মানা তান্না তান্নদুনা মোইগী মনাক্তা অদুম নকশিন্নবা হোৎনৈ। কয়াদা মথোং ৱায়োং চাখিদ্রবা ইপননো। মসি খরগা নহা ওইরম্মদি অফিংবা কনাগী খূৎপাক য়াম চানি। অহলনি হায়না সুম খরা খরা য়েংবীবগী ৱানি।

খন্ন-নৈনবা অমা তৌরে, সেমিনার অমা তৌরে। মাবু য়াওরবা মা ৱা খরদা ওইরসু কারন ওইনা ঙাঙবা হায়বসি মাগী হৌনবীনি। মরম চাই চাদে খঙদে ৱা অমা হেক্তা হায়জিল্লমগনি। অদুবু মাগী ৱাদু কনা অমত্তনা ৱা ওইনা লৌদে। মানা হংবা ৱাহংগী পাউখুম মরম চাদবনা অমত্তা পীদে। মদু মাগীদু মোইনা খঙদদুনা তৌরিনি হায়না মানা অমুক পোংজে।

কৈথেলদা অয়ূক নুংতিগী থোক্কনি। পোৎতি লৈবা নত্তে। খাও অমদি অদুম য়াওনি। লৈবনা ফদিগোম লুপা তরাগী লৈরগা মানা চৎলিবসিদি লিপৎ-লিপৎ অয়ূক পুং ৬তগী চৎপদুনা পুং ৮ হেল্লফাওবা অদুম হঙ্গৎ হন্দা চৎকদৌরিনি। মাগী খুইরবা মমায়দুনা নোকফেৎ নোকফেৎ তৌজ রিবনি। মানদি খঞ্জে, মানা নোকফেৎ তৌরিসি, মীনা মঙোন্দা য়েংনরি হায়না। কনানবু মঙোন্দা য়েংদৌরিবা? নোংমা কবোক য়োনবী অমগী মনাক্তা চঙশিল্লগা ৱাথী সুম ঙাঙই। নুমিৎতুদগী কবোক য়োনবীদুগী মনাক্তা কুল্লগা ৱাথী ঙাঙবসি মাগী হৈনবী ওইরক্লে। অদুনা নুংতিগী চৎলি, ফম্মী। কবোক য়োনবীদুনদি মাবু হৈনদবদা লোইরবনি। ময়ূমদা পাউ তম্মে। কবোক য়োনবীদুগী নুপাদুসু লাক্লে। ইপনদি খঙজদে নুপা অমা তুংদা লৈরিদু কবোক য়োনবীদুগী নুপানি হায়বা।

"ইবেম্মা নঙনা কবোক য়োল্লিসিবু নোংমদা কয়াগা শিৎকেনে?" অনী অহুল্লক সুরে হংলিবা নুপীদুদি পাউখুম পীদে। সুম হংজিল্লকপদুদা নুপীদু ৱারৌরপ খুল্লকই।

"করিগীনো ঐগী হিসাব পাবীরিসিবো? য়াম্না শিৎলগনা কৈদৌবা, শিৎত্রগনা কৈদৌগে হায়বা?"

"হুম ঐনা হায়দি নঙনা ৱাজরিসিগা ইকান কান্নদ্রদি কান্নদে হায়বনিদা"

"কান্নদ্রগদি করি তৌবীগে হায়বনো?"

"খরা কান্নগদবা হেন্না চাউবা করবার অমা হোংবনা ফৈদনা, শেল মথৌ তারসু ঐনা পুথোকপীনিদনা"

'ই ইপনবু শেল য়াম পায়ব্রো?"

"পায়বগী ৱা নত্তবা, পেন্সন ফংলিদনা, পেন্সন ফংবগী শেল ঐ লৌথোক্তে, বেঙ্কতা অদুম তুংশিল্লগা লৈ। ঐনা হায়সিদি নুংশিদনা হায়বনিদা" ৱাদু লেপ্পগা সুম তারন্বা নুপাদুনা শৎ লাউনা ইপনদু মঙকশম পায়রগা চিংখৎলি।

"করি হায়বা হৌজিক হায়বদো?"

"কনাদনো নঙনা নুংশিগাইনা হায়দো?"

"হে! নঙ কনানো নঙগী নথৌ করি লৈ। নুপীসি নঙনা কোইরিরা?" অদুদদি নুপাদুনা খঙহৌদনা খূৎপাক্না ইপন সনাতোম্বদা ফাক লাউনা থারগা,

"মা ঐগী নুপীনি, নঙনা সুক য়াম্না উশিত্তনা নহান্দগী তৌরিসি করিনো, অহলনি য়েংগে হায়না য়েংবনি, অদুক য়াম্না মী উশিৎত্রি করিগীনো?"

মাগী মতৌদুদা মী খরা খরা ওমশিন্নরকই। থংননা পোৎ য়োনবা ফন্লিবী চহী নৌরিবী মৌনহাদুসু ফুক হৌগৎলক্লগা ইপনগী মমায়দা মতিন থুই লাউনা শিৎচিল্লি। নঙ নহান্দগী শুম য়েংবনি। নঙ নুপী হায়বসি করি ওইনা উই। অদুক অহল ওইরবা নঙনা অদুক য়াম্না মথোং চাদ্রিসি করিনো। চৎলু নঙগী নচা নমৌদা নঙনা তৌরিশিংদো তৌরুচো। ৱাদু তাবদগী ওমশিন্দুনা য়েংলম্বা ময়ামদুগী মরক্তগী নহা অমনা তুংলোমদগী পোপ লাউনা থোল্লকই। ইপন সনাতোম্বদু ঙাইহাক লৌশিং মাঙই। মমিৎ মনা তন্দন পাইরকই। মাসু ওৎলৈ পালৈ, ঙাইহাক অচুম্বা শাদুনা খুম্মী,

"ঐদি ইচম চম্না সুম হায়বনি"

"ইচম চম্না হায়রিরা?" হায়না ময়াম চঙদনা নেৎপগা কাউবগা তৌবদগী লন্বীগী মতাইদুদা ইপনদু শল্লগা তাবনি। মী খরা চঙশিল্লক্তুনা খাম্মে। করি লমদগীনো কনাগীনো হায়না মাগী ফুরিৎখাওদা মাদুনা য়েংই। ময়ূমদা পাউ পীনবা হায়দুনা। মোবাইল ফোন অমা য়াওরম্মী। নহা অমনা ফোনদুদা হায়রপ ফাক ফাক্তুনা য়েংলুববু, নুপী ঙাক্তগী ফোটো য়াওরম্মী। নুপা অমত্তগী ফোটো য়াওরমদে। মাগী ফোনদা কন্টেক্ট লিষ্টতা য়াওরিশিংদু নুপী মমিংনা অয়াম্বনি।

"মসি অহলসিদি জাৎ অমনিনে নুপীগী ফোটো ঙাক্তা য়াওইনে"

তাঞ্জাদুদা মৌ নহা অমা মীরক খাইনা চঙশিল্লক্লগা য়েংলগা হায়রকই, 'মসিগী অহলসিনা নহান নোংমা ঐখোয় ইচেদা অহিংদা ফোন তৌশিল্লকপগী ৱা থোক্লবা অমসু য়াওখ্রবনি। য়াম কারন তাবনি। ঐ ময়ূমগী মী খঙই পাউ পীবিখিগে" হায়না মাগী ফোন্দা ময়ূমদা পাউ পীখি।

ইপন সনাতোম্বদু মমায়-মমিৎতু ঈ খরা তারে। মকোক ঙাওদুনা হিপ্নন্বদগী তপ্না হৌগৎলকই। মী ময়াম্না মাবু ইকোয় কোয়শিন্দুনা লৈবদু উবদগী অমুক হন্না ৱান্থখি, লোংনা তাখি।

**— নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

# মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্না ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাংওল শায়োল লম। কংতা শায়োল কোই। লমলেল চাওবীকোলদা। হুয়েন লালদা খৌশা লালদাবা। মৈদিংঙু তাওখমলাং। খমলাং য়ারাবা হাওকপ তেলহৈবা। মিংকৌ মিংথোলগা। চোইনৌ সনা মিংলেল মিংকৌগা থোইনা হেলনা চুশিননা চানবনে।

**লৈমা য়োইরুমলোল লামবাসু**

নবেনথৌ মৈতৈ লৈমা। য়োইরুমলোল লমবাসু। নোংবাল অরামপমনা পোকচবী। মপাম পোকনফম লুৱাং। অরামপম খুলবু। শলয়াঙ খায়বা ওকলম চাতেমবা। ●

# ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯰)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗꯥ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯀꯅꯤ꯫)

ꯂꯥꯡꯑꯣꯜ ꯁꯥꯌꯣꯜ ꯂꯝ꯫ ꯀꯪꯇꯥ ꯁꯥꯌꯣꯜ ꯀꯣꯏ꯫ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯆꯥꯑꯣꯕꯤꯀꯣꯜꯗꯥ꯫ ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯜꯗꯥ ꯈꯣꯏꯁꯥ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕꯥ꯫ ꯃꯩꯗꯤꯡꯉꯨ ꯇꯥꯑꯣꯈꯃꯂꯥꯡ꯫ ꯈꯃꯂꯥꯡ ꯌꯥꯔꯥꯕꯥ ꯍꯥꯑꯣꯀꯄ ꯇꯦꯜꯍꯩꯕꯥ꯫ ꯃꯤꯡꯀꯧ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯒꯥ꯫ ꯆꯣꯏꯅꯧ ꯁꯅꯥ ꯃꯤꯡꯂꯦꯜ ꯃꯤꯡꯀꯧꯒꯥ ꯊꯣꯏꯅꯥ ꯍꯦꯂꯅꯥ ꯆꯨꯁꯤꯅꯅꯥ ꯆꯥꯅꯕꯅꯦ꯫

ꯂꯩꯃꯥ ꯌꯣꯏꯔꯨꯃꯂꯣꯜ ꯂꯥꯃꯕꯥꯁꯨ

ꯅꯕꯦꯅꯊꯧ ꯃꯩꯇꯩ ꯂꯩꯃꯥ꯫ ꯌꯣꯏꯔꯨꯃꯂꯣꯜ ꯂꯃꯕꯥꯁꯨ꯫ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜ ꯑꯔꯥꯝꯄꯃꯅꯥ ꯄꯣꯀꯆꯕꯤ꯫ ꯃꯄꯥꯝ ꯄꯣꯀꯅꯐꯝ ꯂꯨꯋꯥꯡ꯫ ꯑꯔꯥꯝꯄꯝ ꯈꯨꯂꯕꯨ꯫ ꯁꯂꯌꯥꯡ ꯈꯥꯌꯕꯥ ꯑꯣꯀꯂꯝ ꯆꯥꯇꯦꯝꯕꯥ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।